

"ঙসিজা খঙলে ইমা, নঙনা ঐগী পালেমনি,
মালেমগী ইতিহাসতা ইদুনা লৈরগে ইমা নঙগী ৱারী।"

- অরাম্বম সমরেন্দ্র

ঙৈরেংথৌ

## অরি অনৌ লংদাইসিদা

—রাজেন্দ্র সরুংবা

লাক্লবোইরে ঙসিদি কুইনদগী ঙাইরক্লবা
চহী কুমজা ২০১৯গী অরোয়বা পুংফম
খঙহৌদে মতম্না অসুম চিংদুনা পুরকখি।
য়াদে পন্থুগে হায়বা মীকুপ অমত্তসু
ওন্থোক্লা নুংশি হৈতেদা হে লেপ্লাইদবা মতম
খরা চিং খরা থাং খরা ইন তৌদুনা।
খৃষ্টমাসসু লোইরদুনা লাকএদো বাই বাই
হয়েংদি থুংলরনি চহী হৌবা ন্যু য়র ২০২০
অরি অনৌ লংদাইনি ঙসিদি অনীমক্কী।
কপসিরা নোকসিরা হায়ফম্বু খঙদরে
কায়নবগীনা অৱাবগী পিরাং অৱাবা মিকুপ
থুংলবগীনা মোমোন্না মীনোক থুংলবগী।
অনীমক য়ানবা শিনবদা
তপথদরে থৱায়সে পোত্থাফমবু খঙদেদা
কাইনদবদি য়াররোই চৎলোকো নুংশিরবী।
হে কুমজা ২০১৯ পীরবনি বিদাই
নঙবু নীংশিং নীংশিং চিংনা চিংনা য়েং
অসুম লৈহৌরগে ঐহাক্তি লেপ্লা
অরি অনৌ শিন্নফম লংদাইসিদা।

## চৎখ্রো ২০১৯

—লু. রোজ মলংমৈ কবুই, শিঙ্গাপোর

পুদুনা চৎখ্রো
তাইবঙপানগী য়েংথীবা
পুদুনা চৎখ্রো
ইমা মশেনগী লান্দানরিবা
পুদুনা চৎখ্রো ফত্তবা লৌশিং ময়াম
পুদুনা চৎখ্রো লালহৌ ফুরুপশিংসু
পুদুনা চৎখ্রো
ধর্ম্ম লাইনীং লাইশোন
খেন্নবা মখৈবু
পুদুনা চৎখ্রো মতম পূম্বগী
ইকোনোমিক ব্লোকেদ, বন্দ,
হঙ্গর ষ্ট্রাইক ময়াম
পুদুনা চৎখ্রো লায়র-অৱা অনাশিংবুসু
হয়েংদি চৎখ্রগনিদো ২০১৯ থাদোক্তুনা
নঙ নুংঙাইরম্মোই, চৎনীংলম্মোই
অদুবু হয়েংদি মালেম পূম্বনা শোন্নরনি
থাগৎ ৱাহৈ কয়ামগী মহয়
অৱা অনাদা নংখিবা, তাঙ্কক কয়াগী ৱাহৈ।
লাক্কদৌরিবা ২০২০
নঙনা করি লীলা পুরক্কদৌরিনো অমুক
অকি তুজুংবা পোকই খল্লুবদা অমুক
পুদুনা লাকপীয়ু থৌনা পাঙ্গল অমুক
পুদুনা লাকপীয়ু অফবা বিধি অমুক
পুদুনা লাকপীয়ু মহয় য়ানবা চহী অমুক
পুদুনা লাকপীয়ু মোবাইল ফোনগী সংসারবু
খরা নেমথহনবীয়ু অমুক
কংলৈচা ময়াম অমত্তা ওইহনবীয়ুকো অমুক
হরাও তরাম্না কৌজরি, ওকচরি,
২০২০ নহাকপু...।

## অনৌবা চহী

—থোকচোম রিতা

অনৌবা চহী লাক্লে
মীয়াম্না হায়নরি
'হেপ্পি ন্যু য়র'
ঐনা হায়নীংলি
'ন্যু য়র'
করম্না হায়গনি
হেপ্পি ন্যু য়র
হেপ্পিদি য়াওসু য়াওদনা
ঐ হরাওদে অনৌবা চহী লাকপদা
ঐনা পাল্লি অনৌবা মীখল লাকপা
নুংঙাইরবা অওনবা অমা পুরক্লবা।

## অহিংদুনা মাবু নীংশিংহল্লি

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

থাজ মাগী
নীংথিরবা মঙালনা
ঙম্নমক কুপশিনখরে
তরক তরক
তরু তরু
ঙানজরম্বা
থৱাম্মীচাক পূম্বা
মঙাল উখিদ্রে।
পূক্নিং ৱাখল নুংঙোলহন
নুংশিবা মায়কৈ য়েংদুনা
অহিং অদুমা
থাবলগী মঙালদা
ঙাওরদুনা
নীংশিংবগী মরুমদা লৈখ্রবা
মহাক্কী মোমোন মীনোকশিং
অদুতবু হন্না হন্না
লাথুপ লারৈ হায়দোক্তুনা
নীংশিংলুইনে ঐনা
মীৎকী পিরাংশিংগা লোয়নরদুনা।

## তং তাদ্রবা

—মোইরাংথেম নিলাকুমারী

তং তাদ্রবা পাউখুম মাঙখ্রবা
ৱাহং-করিগী ৱাহং
পাউখুম কনাগী :
হংবতনি পাউখুমগীদি
(নো-ৱান) কনাসু লৈরোই
মীওই মখল মান্নদবনা
পুন্সি মখল মান্নফম থোক্তে:
পুন্সি হায়বসি
চৎলিবা য়েংলিবা তারিবা উরিবা অদুরা?
মখল মথেলনি ৱাহন্থোক,
চাউবা পিকপা অখুবা অপাকপা
মিৎনা উবা ফংঙমদবা কয়াসু পুন্সিনি
চৎনীং, হংনীংই, খঙনীংই
ককচেংনা কোয়চৎ চৎপগুম;
চিঙ্গাক থিবনি ককচেংদি
ককচেংনা ঙাইহাক্তং তুমথোক্তুনা লৈবা উরবরা?
শূবা নোম্বা কনবদা- চাংদম্লে শিংথানৈ
ককচেংগী তেল্লবা পুন্সিনি
পিল্লবা ককচেং শঙ্গুনা
চাউরবা তিন্থোকপু পুঙমই;
লিংজেল মান্নবগীরা নৎত্রগা
পাঙ্গল থৌনা শক্তি মান্নবগীরা?
শকউদবগী মখল মথেল শায়োল্লা
হংজিনসি থিজিনসি খঙজিনসি
তং তাদ্রবা মীওইপোক্কী পুন্সিনা
খঙহন্দবা ঙাক্তনি মীওইপোক্কী
পুন্সিগী পাল্লবা লম্বেলসিদা
লম্বী লমহাংনরবা কয়া কয়ানি
তং তাবগী ৱারীদি :
মরা তৎলবা উরিগী- মরূ ফুক্লবা উপালগী
তুদ্রিবা তৎত্রিবা ফাওবদুদংগীরা
ইমান ইমান মান্নহনবগুমসু উহল্লি
তং তাদ্রবা পাউখুম মাঙখ্রবা ৱাহংগী।

## লংদাই

—লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ

লংদাই হৈবা ইবুংঙো
তাইশিন্নগনি শেগাইখ্রবা ফিমল
কয়ারক ফোংখ্রবনি অহৈবশিংনা
শেগাইরকই অমুক হেক্তা।
পুথোরকই লৈকাং চারবদো
নীংশিংলকই মহৌশা শীজিন্নখিবনি,
কাউবা য়ারোই ৱাখৈদ্রিফাওবা
অশিংবা শাবশিংনা শুমখিবা।
লংদাই হৈবা ইবুংঙো
তাইশিন্নগনি অহনবগা, ফিমলগা,
তাইখিনি কুইনদি চৎখিদ্রা?
অকোনবগীনা শাথিগনি অহনবদগী।
পূম্নমক লৌথোক হুন্দোকখ্রো
মান্নদবা চরৈ ফিদো,
পূম্নমক কাউখ্রো নীংশিংলুরনু
অনৌবা লংদাই অমনা
লংদাই হৈবা ইবুংঙো
করম্বা চক্কী লংদাইনো,
তাইশিনগদবা লংলাদুনা লংদাইদো
হরিচক, হয়াচক, লাংবচক্কীরা?

## কায়হৌবীরম্লবা

—তৈয়ীব খান, লন্দন

চীরবা পুন্সিগী তাল্লক্তুদা,
করিগুম্বা অমদি হায়নীংলম্মী,
কনা-তাহন্দনা নাপদুদা লোন্না।
চীন্দমখিদরনে অতম্নমা মীকুপতুদা,
ইকায়বা-অকিবা পূম্নমক থাদোক্তুনা,
'করিগুম্ব'মদি হায়জগে নফমদা'।
কনাগী নাপদা ইচিলসিনা,
করি-করম্বা হায়খিবা লৈদুনা,
নঙনা ৱারৌ-পুক্লোন থাখিবা।
নৎত্রগা অচাউরম-কাবা নতৌনা,
মীওইবগী ফজবা-গুনবু খুঙ্গৌইনরম্বরা,
নৎত্রগনা অহেনবা পাম্বা মচৎলা?
খল্লুই ৱাখলসিনা মওল-মওল,
লৈতাদ্রবা থনুংগী ঈরাউখোল্লক্তা,
দোষ-পূম্বা ইশাদা শীনজিন্দুনা।
ফংঙমদে ঙসিসু পাউখুমদুদি,
মতম্না মায়থীবা পীবিরম্লবা পুন্সিদা,
অচুম্বতবু ঙায়জরিবা মপোকসিনা।
হংলি ঙসিসু ৱাহংদুদি,
'কায়হৌবীরম্লগা চমজরিবা থম্মোয়বু,
অয়ুক্তুদা করিগী মীরাইবীরম্বা'।

## মীৎলু পিরাং

—এম দি সলমান খুরসিদ

নোংমদোল অতিয়া থক্তগী
চাইথরক্লিবা অয়ূক্কী লাইজ
তারংগা লিক্লানা খঙহৌদনা
চাইথরকপগুম ঐগী মীৎলুগী
পিরাং মাসু তাহনবীখিগে নীংলিব্রা?
মাগী নুংশিগী ৱাহৈশিং
নোংমা নোংমগী নুংশিখি
কাউঙল্লরোই পুন্সিগী মহাকপু,
শোনখিনি মাগী নুংশিবা
কাউঙল্লরোইদবা নুংশিগী ৱাহৈশিং।
নুংশিগী পুনতনা থনখিবা
পুলাপ মাগী শক্তমনি,
নুংশিগী ৱাহৈতনা থনখিবা
নুংশি মাগী নুংশি ৱাহৈদো
হকখিনি থম্মোয়দা, হকখিনি থম্মোয়দা।
শাগোন্নরে নুংশি মাগী মীৎলু পিরাং,
পিখন্নবীরমগে খনবীনু নুংশিগী মীৎলু পিরাং,
চীন্নদনা কেনখিবা খোংগুম মেলৈগুম
মাগী নুংশিবা ওইখিগদ্রা ইফমদা...
তাহনবীগনু তৎতনা নুংশিগী মীৎলু পিরাং।

## নোংমগী ৱারী

—পুয়াম অচৌ খুমনচা

নুমিৎতুগী ৱারীদুনা অরোইবা ওইখি
থেংনবসু থেংনখিদ্রে উন্নবসু উনখিদ্রে।
চৎলিবা খোঙথাংসে লাওনা লাওনা
খাল্লরোই নঙবু অমুক হন্না
য়েংলমনু অমুক হন্না নুংশি মীৎয়েং।
হৌখ্রবা ৱারী কয়াদি
থম্মোয়নুংদা লোত্তুনা থল্লগে।
নঙসু ফাওরম্বা য়াই
ফোঙদোক্তবা থম্মোয়না
লোৎশিনখিবগী ৱারীনি।
ওইথোকপা য়াররোইদবা
অমনবা ৱাখলসিনা
করিগী খল্লুনু য়াদ্রিবা
নীংশিংলকপা মীৎকুপ্তা
নঙসু পিরাং শিন্থগনি
নোংমগী ৱারীদুনা।

# থোং

## (Bridge)

- নরেন্দ্র মোদি

কাউজেং হারৌগী মখোলনে, হঙোইগী মখোলনে পূনখিবনা চুরিবা নোংগী মখোলদু নমহৎখ্রে। সুরভী ভাবীদু তূম্নিংবা ঙাইবদা চোকথরে, মাগী ৱাখলদু ইপঙ পঙশিনখ্রে। মানা মিৎ উইশিল্লু য়াদ্রিবদুগী মরু থিবদা ৱাখল লংজিন পূনখ্রে।

অহিং চূপ্পদু কয়ারক্লি মানা ফুক ফুক হৌগৎলিবদু অদুগা মচানুপা সেটুবু হেক হেক য়েংলিবদু। হেক হৌৎপগা সেটুগী মশমদু নাম্থবিরি নুংশিনা, অদুগা করিগুম্বদা মখজাইদু অমুক চূপ্পীরিবনি।

অহিংদুদি হৌখ্রে, তূম্নিংবদি লৈখিদ্রে। অহিং চূপ্পদু হৌগৎপনে, লেঙবনে মশাদু চোকথরদুনা মহাক ফমুংদগী হৌগৎলক্লে। মাগী ৱাখলদু খজিক য়াঙনবা মহাক মশাদু থবক চিলহল্লি, মতোমতা অয়ূক্কী তৌগদবা থবক ইনখাংদা। মহাক মতম পারুদে। পুন্সিগী খোঙচৎনা লেপখ্রবদা, ঘড়ীনা চৎতুনা লৈবু লৈহৌরসু, লৈত্রবসু করি তৌরুরনি, খন্দোকই।

নুমিদাংগী সুম মমশিল্লক্লগা মাগী থনুংগী মৈচাকসু সুম হেনগৎলকখি, মাগী অমম্বা পুন্সি ঈরোন্নুংদুদা মাগী থৱায়দু সুম লূপথখিবগুম তৌরি। মিৎকুপ খুদিংসি মাগীদি অনৌবা মৈচাক অমনি, খাঙবদা ৱাবা। তৌফম খঙদ্রদুনা মানা মচা সেটুবু ঙন্তা হৌদোকখ্রে, মাগা ৱারী ৱাতাই শারগা মাগী অৱাবা খজিক কোক্কদ্রা খঞ্জদুনা। অদুবু হন্থবদি হায়রুনু, হেন্দুম হেনখ্রে। অদুনা নুমিৎ কৌবা লাইদুগী মঙালনা মালেম অসি ইরুজদ্রিঙৈ, মচাদু মানা মফি-মরোল শেৎচিনবা লোইখ্রে।

মমাগী মতৌদুদা ৱাহং কয়ানি সেটুগী কোক মনুংদা ইনখৎলক্লিবা। মানা হংনীংখি : 'ওহ! ইমা! পলেম সুক ঙন্না তৌরিসিবু করিগী ওইরবনো?" অদুবু মমাগী মতৌদুদা, ৱা-লান ঙাঙদনা হোৎনরিবা অদুদা, মহাক হেক হংলুবা ঙমখিদ্রে।

কা অদু পূমচিক চিকই, পঙশিনবা, মহাও য়াওদবা মখলগী খূৎচিকনি। মঙাল য়াওদে, নুমিৎকী অহানবা মশেক্লা অচিকপা পাৎকী ঈমাইদা য়ৈরগা থক্তোক্লকপা মঙাল, অদুগুম্বসু য়াওবা নত্তে। অহোইনদুম মফম অদু চীং-লেস্মী, অৱা-মৈশা লাংঙি, ঈকং কংঙি। পিদি শিন্থরি, ঈচিক চিক্লবসু শান্তি লৈবদি নত্তে।

ঈচিক চিকই হায়বগী মরমদি মমা-মচা ৱাহৈ অমা ঙাঙনদে। ঙাঙনদ্রিবদুগী মরম্না থমোয়দা, পূক্নিংদা ঙাঙগদবা, ঙাঙনীংবা ঈথিল অমত্তা লৈনদে। অৱাবা ৱাখলদুনা ৱামল্লসু, ফোঙদোক্লবা ৱাহৈ থিবা ফংদবনা তুমিন্না লৈনবা তাবনি। কা অদু অৱাবা মপৈ অমা পুরিবা হি অমগা মান্নখ্রে, পিনা চোৎলবা। সুরভী ভাবীগী ফীভমদু অদুমকনি। মহাক মপিদু থিংনবা পাঙ্গল লৈখিদ্রে। মশমদুদং হাত্তোক্কে হায়না শমচেৎ পায়খৎলুবদা মিংশেল য়েংলুবনি। অদুবু সেটুবু মথাদা কোন্দুনা কপ লৈখ্রে। মাগী পিনা মচানুপা সেটুগী মখজাই অদুদা তাখ্রে। সেটুগী মায়থোঙদি হেন্না ফজখ্রে, অয়ূক্কী তগৎ-তগৎ তেকপা লৈনাদা লীক্লা চোৎপগী মতৌগুমখ্রে।

- "ইমা! নঙবু করি তৌরবগে ঙসিসিবু?" ৱাহং অসিনি সেটুগী কোক্তা য়ৈরকখিবদি, অদুবু চিনবান লানবদি ঙমখিদ্রে।

সেটুগী মমাদু শঙ্গোম য়োনবগী মখোল তাবদা চেন্থোকখি, মপিদু তৈথোক তৈথোক্লা, শঙ্গোমদু লৌহৌনবা। অদুবু মা হামনখ্রে, শঙ্গোম য়োনবদুদি লমজাউদা লাউবা ওইরম্লে। অদুনা মশানা খঞ্জরে, মহাক ৱাখলসি চাং পুবা ঙমদ্রে, মশাগী ৱাখলদু মানা ৱারকচবা ঙমদ্রে। অদুবু মহাক থোঙজিন্দা চপ লেপ্তুনা শঙ্গোম য়োনবদু চঙলকপা ঙাইখ্রে। ঙাইনা ঙাইনা নত্তবা ৱাখল অমুক খঞ্জিল্লুরে, নীংবা কায়বা ঈপাক্তুদা ৱাখলগী নৌরেল পায়দুনা হোল্লুরে।

- "ঙসিদি হান্ননা ঙাইবিরম্লে মেদাম! কয়া লৌবিগদৌনো?" শঙ্গোম য়োনবদুনা হংলরে। মহৌশা মহৌশাগুম। অদুবু পাউখুম ফংদ্রবদুদা মহাক মতম মাঙহন্দ্রে, ওনবা হৌখ্রে। সুরভী ভাবীদু ৱাখল খল্লুবদু কায়রে।

সেটুদু মমাগী মওংসি হৈনরবনি। অদুবু ঙসিগী মতৌসিদি অমুক্তা উখিদ্রি, মমাসি ওন্থোক্লা নীংবা কায়বা মতৌ ওইখ্রে। অদুনা অঙাং মাগী ৱাখলদা চিকখৎলক্লে, ইমুংদুদা মমাগী মতুং কোয়ইন ইন্নরে।

সেটুদু মফি শেৎপীবা লোইরে, অঙৌবা পাইজমা অদুগা অঙৌবা কুর্টা শেৎ-চাহল্লে। অদুগা লাপ্তুক লৈনবা হায়খি - মরমদি চাকখুমগী মৈখুনা অঙৌবদু চু লাক্তনবা। অদুবু সেটুদি চৎথোকখো য়াদ্রে। মমাগা মায়োক্লনা লেপ্তুনা লৈখ্রে। মমা সুরভীসু মুন্না য়েংলকখি, কেরোসিনগী ষ্টোব অদু চুখৎ চুখৎনা। মানা থোইনা খল্লুদনা ফুক হৌগৎলগা মচাগী মকোক্তু অমুক নাম্থবিরুরে। মাগী থবক পূম্বদু তৌনা তৌনা মাগী মিৎয়েংদি মচা সেটুদনি। মরমদি মাগীনি হায়বা মঙ অমমুক লৈত্রে, মাগী হায়বু সোহন্না মঙজরম্বা মঙদু থুংহনবা অদুদনি। মদুগী ৱাখলদুদা খন্দুনা হিংলকপনা ঙসিদি ওন্থোক্লা শাথিরক্লে, ৱাখলদু।

ষ্টোব অদু থাগৎতুনা শঙ্গোম অদু লোনবদু সুম শারক্তুনা পাখৎলকপা উবদা মাগী ৱাখলসু থমোয়নুংদগী পাখৎলক্লে। অদুগা মাগী ৱাখলদু সেটুগী মায়কৈ তম্না সুম শন্দোকখ্রে, মচাগী তুংগী পুন্সিদা ৱাখলদু থমখ্রে। সুরভীগী ৱাখলদু অনী লোঙখিদ্রে, চেৎনা পুনবা কিশি ওইখ্রে, হৌখ্রবা চহীশিংদা অসুম্না অমুক্তা খনখিদ্রিবনি।

মহাক হৌখ্রবা পুন্সিদু নীংশিংলক্লে। করিগুম্বা মপুরোইবা সোহনগী মায়থোঙদু মমাঙদা চপ লেপ্লবগুম তৌরকখি। অদুগা অমুক্লা সেটুগী। সুরভীনা সুম নীংশিংলকপদা তশেং তশেংনা সোহন্না নোংমা হায়খিবদু অমুক নীংশিংলক্লে - "সুরভী! নহাক খঙব্রা, ঐনা করিগী ইচাগী মিংসি অসুক খোয়দারিবনো হায়বা? সেটু! কৌরিসে?" মদু হায়রুরগা সোহনগী মায়থোঙ মকা লামখিবনি অদুগা মশাগী ৱাহংদু মশানা খুল্লকখিবনি :

- "মরমদি মহাকসে নঙ ঐগী থোং ওইবদা নত্তে, মানা ওইগদৌরিবনি ঐখোয় অনীগী নুংঙাইবগী পান্বেসুনি। মসিদসু নত্তে, মাদি ঐখোয়গী আশাগী মিংশেলনি, ঐনা খল্লি, মাদি মীরোল অসিগী লেঙদ্রবা থোংনি, হৌখ্রবগা তুংদা লাক্কদবগা শমজিন্নবা। অদুনা সেটু (থোং) হায়না কৌজরিবনি। নঙসু সেটুগী ৱাহন্থোক খঙইদনা, থোং হায়বনি।"

ঙসিদা মপুরোইবনা ঙাঙলম্বদু নীংশিংলকখি। ৱাহৈ পূম্নমক্তুগী পোৎলুম্না মানা পুহৌবা তারি।

মপুরোইবা সোহনসু আশা চাউনা শাগৎচরল্লিবনি, ফিদম অমগী মখাদা হিংজরম্বনি। পুন্সি তেনখ্রবসু সুরভীগী মফমদা কোক্লরোইদবা মমি অমা থম্বীরম্লে।

ফিদম অদুগীদমক হিংলম্বনি, ফিদম অদুগীদমক শিখ্রবনি। পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা মানা অশিববু তরাম্না থাগোন্নখিবনি।

মশাগী ওইজবা থিদুনা শিখিবা নত্তে, ফিদম অদুগীদমক শিখিবনি। ওইজবা থিবা, নুংঙাইবা পাম্বগী শিখিবা নৎখিদে, মথৌ মশক খঙবগীদমক অশিবদুদা চোংশিল্লুবনি।

মাগী মাঙদা মথৌ অদুনা তাদুনা লৈরবদা মহাক শিনি নানি খঙখিদবনি। অদুনা মহাক শিখিবনি।

মপুরোইবা সোহন নীংশিংলুবদগী অকিবা ফংলবা থৌদোক অদু অমুক নীংশিংলক্লে। থৌদোক অদুনা মখোয়নীগী পুন্সিগী খ্বাইদগী মম্বা পুংফম ওইখিবনি।

চহী অমগী মমাঙদনি, নুমিত্তু গুরু পুর্ণিমা নুমিৎনি। সোহন নুমিৎতু ফিঙৌ শেৎলগা গুরু পুজা তৌনবা শেম শারম্বনি। মাগী গুরু অদুদগী মহাক্লা মঙাল, ফিদম অদু ফংজখিবনি, লৌজখিবনি। সুরভী মমা মচাসু থোঙজিন ফাওবা মতুং ইল্লকখি। তাঞ্জা অদুমক্তদা লাঙনরিবদু কৈদৌরিবনো খন্না মায়কৈ অদোমদা চেন্থোকখিবনি।

মনাক নক্লা লৈরিবা লাইশঙ অদুদা গুরু খুরুম্বা লাকপা মীয়াম ইন্নবগী লাঙবা ওইরম্লে। অনকপা, খুলোন্নবা মফমশিংদগী গুরু খুরুম্বা লাকপা মীয়াম্না কৃক-কৃক ইন্নরম্লে। গুরুদুগী থৌজাল অমতং ফংনবা হোৎননরি। অশিন-অরাঙশিংনা হান্না ৱানা শম্বল খাদুনা মীয়াম ঙাক্লবা তৌবনি। অদুবু মীনা য়াম্মনখিবনা শম্বল অদুসু নমথেকখ্রে। লাইশঙ অদুসু মল্লবা, তেক কায়বা হৌরবনি। অদুনা মীয়ামগী ইন্নবদুগী মখোলদু অরাপ্পদগী অদুম তারে। সোহনসু মতাং চানা মফম অদুদা য়ৌখ্রে। মী ময়ামদুগী মীরক খায়না চঙখিবনা তেক্লবা শম্বল অদু কাল্লদুনা নেৎশিন্নরিবা মীশিংদু মতেং পাংবা হৌখ্রে। খরা অমনা লৈমায়দা তুরল্লি, খরা অমনা নেৎশিনবদগী খুদোংথীবা ফীভমদা লৈরল্লি। অশোক অপন য়াম্না য়াওনরে। শিবসু য়াওরে, নেৎশিনবদা।

সোহন চোংশিন্দুনা অশোকপশিংগী মতেং পাংবা হৌখ্রে। মানা হেক ঙল্লিমখৈ পাঙখি। মাগুম্বা মী খরসু চেনশিল্লক্তুনা কনমিন্নরি। অদুবু মীনা য়ামখিবনা মী খুদিংমক শিদনবা হোৎনবদা, শ্বর ফুন্দুনা ৱানা লৈরম্বদগী চোংথোক্লক্লগা লাইশঙ মথক্তা কাখৎপা য়াওনখ্রে। নুংশিৎ ফংনবা হোৎনবদা। অদুবু অমনবা লাইশঙ অদু মীয়াম কাখৎনরকপনা পুবা ঙল্লক্ত্রে। অদুনা যূমথক অদু নীংখায়রক্লে। মথক্তগী মীয়াম অদুগা লোয়ননা লৈমায়দা। অদুম্না অচৌবা বিম অমখক যূমথক্তগী তারকপদা সোহনগী মকোক্তা য়ৈখিবনি। বিম অদুনা নন্দুনা সোহন লৈমায়দা তাদুনা লৈরে।

মিৎনা উহৌবা কয়াগী পাউদম অদু সুরভীনা তাহৌবনি। ঙসি মিৎমাঙদা চোংথোক্লক্লে, ওইরম্বা ফীভমদু। মতমদুদা সোহনগী পাউদু তম্লবদা মাগী মকোক্তা বজ্র তাবগুম ৱাখিবনি। খুদক্তা সেটুবু পো-খৎলগা লাইশঙদু তান্না মহাক চেল্লুবনি। অদুবু থৱায় য়াওদ্রবা সোহনগী হকচাংদু চিংথোক্লদুনা লৈরম্লে। মহাক থৌনা পূম্বা খোমজিল্লগা মপুরোইবগী নাক্তা চঙশিনখিবনি। মানা উখি, সোহনগী মায়থোঙদা মথৌ পাঙথোক্লম্বগী পেঞ্জবা মমি তারম্মী। মাদি থমোয় শোকখ্রে, মাগী থৱায় লৈরি হায়না খনখিদ্রে। মহাকসু শিরবগুম খঞ্জখি। করি হায়নি, মপি ফাওবা তারকপা ঙমখিদ্রে।

অদুবু মাগী থৱায়নদি হায়বগুল্লি - "সোহন্না হিংলম্বদু খুন্নাই অসিগীদমকনি। অদুনা খুন্নাই অসিগীদমক মথৌ পাঙথোকপদা থৱায় থাখিবনি।"

সোহন লৈখিদ্রে। অদুনা মানা হিংহৌরিবসি সোহনগী মঙলান অদু মঙফাওননবা হোৎনবনি। সোহনগী মঙলান্দি সেটুনি।

হৌজিক সুরভী ভাবীনা সেটুবু কৌই অদুগা চফু মচা অমা লৈবদু পুথোক্লক্লবা হায়খ্রে। চফু মচাদু চহী চূপ্পা অসিমা সেটুগী মরুপ ওইনা লৈরক্লবনি। মমানা নুমিৎ খুদিংগী মঙোন্দা পৈশা ১০ চৎপী, ৫ চৎপী শেলয়েক হেক হেক পী, অদুগা চফু অদুদা হেক হেক থাদহল্লি। অদুম তৌরকপদগী সেটুসু হৈনরক্লে, পৈশা অচোইবা হেক লৈবগা হেক্তা থাদরে। মমানা মঙোন্দা তৎতনা হায়, তুংশিল্লিবা পৈশাশিংদু মপাগী নাক্তা থাখিনবনি। অদুনা শোকপা য়াদে। ৱাফমদু তাবদগী সেটুনা পৈশাদু লৌথোকপগী ৱাখল লৈখিদ্রে। করি অমুক হায়নি, মীনকা পীরম্বা পৈশা ফাওবা অচোইবদি চফু অদুদা মথাদরে।

অদুগুম্বা চফুদু সেটুনা ঙসিদি পুথোক্লক্লে, অদুগা মমাদা পীররে। অদুবু মমাদা হংনীংবা ৱাহং অমদি মহাক হংদবা ঙমজদ্রে। মানা হংখি, "পৈশাশিংদু মপাগী নাক্তা থাখিদৌরব্রা?" মমানদি পাউখুম পীরক্তে, মুন্নদা ময়েংলকখি, অদুগা ৱাদি ঙাঙলকখিদে।

সুরভীনা মচাবু লৈ পরেং অমা পায়হল্লে, অদুগা চফুদুগী মঙক্তা হুকচিলহল্লে। অদুনা লোইদ্রি, চেঙ, থোইদিং খরা অমসু পীরগা চফু অদুদা খিকথহল্লে। কুমকুম (সিন্দুর) তৈহল্লে। অদুদগী ফি অঙৌবা অমদা মখাগী মন্ত্রশিং অসি কুমকুমগী মহী অঙাংবনা অমুক ইহল্লে : "রাষ্ট্রিয় স্বহা, রাষ্ট্রিয় ইদম না মম:" (ইমা লৈবাকপু খুরুমজরি, পৈশাসি লৈবাক্কীনি, ঐগী নৎচদ্রে) অদুম ইহল্লগা চফু অদুগী মমায়দু খুমজিলহল্লে ফিদুনা অদুগা চফু মঙক্তা পুনশিলহল্লে। সুরভীনা খঞ্জে, মন্ত্র অদু সোহন্না পামজরম্বমক্লি। মন্ত্র অসিমক্কী মখাদা মহাক হিংজরম্বনি, পুন্সিগী লাইনীং ওইখিবনি। অদুনা সুরভী ভাবীদু মচা সেটুবু মপানা পামজরম্বা লম্বীদুদা চৎহন্নীংঙি। অদুনা মপাগী খাঙগুল মতুংইন্না মখোঙ থাংনবা শেল্লিবনি।

অদুম তৌরগা চফুদু সুরভীনা কোল্লগা মমা মচা খুল অদুগী মতাইদা লাক্লে, অদুগা খাংপোক্তা লৈরিবশিং অদুগী মনাক্তা লাক্লে। ঙকচরবা সেটুনা মমাগী মফমদা হংজৈ - "ইমা! ববাবু খাঙপোকশিং অসিদা লৈব্রা? ইমানা পৈশাশিংসি ববাগী মফমদা থাখিনি হায়বদাই।"

- "নত্তে, ইবুংঙো! নপাগী মঙলান কয়াদু খাংপোকশিং অসিগী মরক্তা চাইদুনা লৈরি। মদু নঙবু উহন্নীংদুনা নঙবু পুরল্লিবনি।" মমানা অদুম্না খুমখি। মদুগী ৱাহন্থোক মচাদুনা কয়াম খঙলিদগে হায়বদি মাসু খঙদে।

খাংপোক পরেংদুদা লৈরম্বা মী পূম্নমক্লা মমা মচাবু য়েংনরি। অদুবু সুরভীবু খঙদবা মীদি মফমদুদা লৈতে। মচানুপা সেটু য়াওরকপা অদুদা য়েংনরিবনি, মাদি মফমদুদা মীনৌনি। অদুম্না লাক্কনি থাজনবা নত্তে। মখোয় পূম্বনা মমা মচাবু নুংশিনা অমদি আশা লৈনা মুন্না য়েংনরি। সুম চঙশিনখ্রগা মমা মচাদু থোঙজিন অমদা চঙখ্রে, অদুগা থোঙজিন্দুদা লেপ্লিবা অঙাং অনী অদুগী নাক্তা লেপ্লুরে। অঙাং অনীদুনসু মমা মচা উবদা থাজবা লৈজৈ, হরাওজৈ।

অতৈ নৎলমদ্রে, সোহন্না শিখিবা মতমদা অঙাং অনীদুগী মমা মপাসু য়াওখিবা ওইরম্লে। সোহনগী হকচাংদু চিংথোকপা মতমদা অঙাং অনীদুগী মপাগী মখূৎকা সোহনগী মখূৎকা কন্না পায়শিন্নদুনা মতমদুদা লৈরমখিবনি। অদুনা সুরভীনা লৌজৈ, মরাইবক থীখ্রবা অনীদু মথৌ লোইরমদনা চৎখ্রবনি হায়না। মনীং থুংনা লৈবাক্কী থৌগল তৌখিদ্রবা অনীদুগী মচা মচাশিং নুংশিনবা তাবনি। অঙাং অনীদুসু সেটুখোয়দা হেক হেক লাক্লম্বনি। অদুনা সেটুবু মখোয়না মশক মুন্না খঙই।

অদুনা মখোয়নীনা সেটু হেক উবদা নুংঙাইজবা উৎলি। সুরভী মমানা হায়বা মতুংইন্না সেটুদু অঙাং অনীদুগী মরাইবক্তা কুমকুম (সিন্দুর) অদু নমহল্লে। অদুগা ঙাইবা তৌদনা সেটুনা মমানা কোল্লিবা চফুদু লৌরে অদুগা অঙাং অনী অদুদা পীখ্রে। থবকশিংদু ৱা অমা ঙাঙনদনা পাঙথোকখি। অঙাং অনীদু মপি অর অর চেন্থরকখি। মদু উবদা সেটুসু কপথোক্লক্লে। কুইনা ফুন্দুনা লৈরুরবা, অয়ূক্তগী তুংশিন্দুনা থল্লকপা পিগী ঈচেলদু মনীং তম্না মখজাইদা চেন্থরকখ্রে। অরূম্বা থাংথবগুম্লে । মশা য়াংজরে।

মতম অদুদা, ঙরাংদগী চিনবান কংখৈ, অৱাবা খাঙজরকপা মমা সুরভীদি মথমোয়দা নীংজবা থৌদাং অমা পাঙথোক্লে খঞ্জবগুম মোমোন তৌজখি।

ইংরাজিদা : উমঙ্গ ধোলাভাই
মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা
(গুজরাটিগী ৱারীমচা)

# রাগ দরবারী-২৬

(হান্নগী মখা...)

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

রঙ্গনাথকী নোংমগী তৌগদবা থবক থৌরমশিং ৱেদ্যজিগী পাউতাক মতুংইনা শেমখিবনি; অয়ূক ঙন্না হৌগৎপা, হৌগৎলবা তুং ঙাইহাক ৱাখল খনগদবনি মদুদি ঙরাং চাখিবা চাক তুমখ্রবনি হায়না। পিথ্রাইগী কোনদা হাপ্পা ঈশিং থকপা, খরা থাপ্পা কোয়বা ওইনা খোঙনা কোয়বা চৎপা, নোংমদা তাইবঙ মপুবু নিংজবা অমদি খুরুমজবা (মরমদি তাইবঙ পানবা অসিদা মদুখক্তনা অফবা থবকনি, অতোপ্পশিংদি অফবা থবক নত্তে), তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী কোয়রুদুনা হল্লকপা, খোঙ-খুৎ হামদোকপা, পয়া শায়বা অমসুং মদুগী মখা তারকপা ওইনা খুৎনা য়া শেংবা, ফোং-ফোং শাবা ঈশিংনা চীন তেংবা, হকচাং শাজেল তৌবা, শঙ্গোম থকপা, লাইরিক পাবা, নুংথিলদা চাক চাবা, পোৎথাবা, অমুক্তা লাইরিক পাবা, চাক চাবা, লাইরিক পাবা, তুম্বানচিংবনি।

রঙ্গনাথনা মথক্তা হায়খ্রিবা নোংমগী তৌগদবা থবকশিং অদু য়াম্না পুকচেল শেংনা তৌরম্মী। মদুগী মনুংদা মহাক্লা শুপ্নগী করিগুম্বা খরদংদি শেমদোকই মদুদি লাইরিক পাবগী মহুত্তা ৱেদ্যজগী মীফম ফল্লিবা মফম অদুদা লৈদুনা মফম অদুদা লৈরিবা গঞ্জহোংশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্লম্মী। মদুনা রঙ্গনাথকী ফম্বীবু ঙাক শেন্না থম্বদা করিগুম্বা অমত্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হায়বদু ওইদে। তৌরিবা থবকশিং, পূম্নমক অদুনা মহাক্কী নোংমগী তৌগদবা থবক-থৌরমশিং অদুদা করিমত্তা অকায়বা লৈতে, মরম অদুনা ৱেদ্যজীনসু মহাক্কী পাউতাক্কী মতুংইন্না শেমখিবা নোংমগী তৌগদবা থবকশিং অদুদা শেমদোরকপা অদুদা করিমত্তা শাউবা হায়বদু তৌদে। শাউবগী মহুত্তা মহাক্লা হেন্দুম ৱাফম অদুবু য়ানিংবা অমগা লোয়ননা ৱাফম অদু পাল্লম্মী। মদুগী চাউরবা মরম অমা হায়রগদি লাইরিক হৈবা মীশক অমনা মহাক্কী মনাক্তা ফমদুনা লৈবা অমসুং মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগী মমাংদা মহাকপু মশক তাক্লবা মতম পুম্বগী ওইনা শেম শাদুনা লৈ।

মতম খরগী মতুংদা রঙ্গনাথনা শিবপালগঞ্জবু মহাভারতকী মওং-মতৌগুম খনবা হৌরক্লম্মী মদুদি মালেমগী মফম খুদিংদা লৈতবা পোৎশকশিং মফম অসিদা লৈ অমসুং মফম অসিদা লৈতবা পোৎশকশিং মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরম্লোই। মহাক্লা তপ্পা-তপ্পা খঙবা হৌরক্লম্মী মদুদি ভারততা লৈবা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তনি অমসুং মফম খুদিংদা ঐখোয় পুম্নমক্কী কোক চপ মান্নে। মহাক্লা মফম অদুদা ময়েক শেংনা খঙ-উরম্মী মদুদি কনাগুম্বা মীশক অমবু থাগৎনবগীদমক মমিং লৈরবা ন্যুজপেপরশিংনা পাউচে অদুগী অহানবা লৈমায়দা অচৌ-অচৌবা ময়েকশিংদা ইদুনা হাপনরম্মী, মদুগী মতেংনা অচৌ-অচৌবা কোওপরেট সেক্টর, কম্মিসন অমসুং এদমিনেষ্ট্রেসনশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী ফম ৱাংখৎহল্লি, ফম তাহল্লি, মীশিংগী মরকতা য়েৎনদুনা লৈহল্লি, অদুগুম্লবা অখিল ভারতিয়াগী চৎন-কাঙলোন অমসুং মওং মতৌ-হৈশিংবশিং অদু মফম অসিদদি শাদ্রিবা পোৎশক অমগুম য়াম্না মরাং কায়না মফম খুদিংদা পাকচাউনা শন্দোক্লা লৈ। অসুম্না হেক মহাক্লা খল্লকপদা ভারতকী সসকৃতিক একটাবু নীংজবগী ৱাখল্লোল অদু অমুক্তা হেন্না ৱাংখৎলকই।

অদুবু মদুগী মরক্তা অশোনবা অমতং হায়রগদি শুপ্নগী ৱাফম অমখক্তদনি। মহাক্লা সিটিশিংদা দিবেট তৌবগী অনৌবা মওং অমা হায়বদি অরিবা অমদি অনৌবা মীরোলশিংগা লোয়ননা তোপ-তোপতোপ্পা মওং অমদা থোরকপা উই। মদুগী মরমদি অরিবা মীরোলশিংগী ওইনা থাজবা অমা লৈ মদুদি ঐখোয় য়াম্না হৈশিংবা মীওইশিংনি অমসুং ঐখোয়না হৈশিংলবা মতুং মালেম অসিদগী হৈশিংবা হায়বা পোৎশক অদু পূম্নমক মাংখ্রে। অনৌবা মীরোলশিংগীদমক্তদি হৈশিংবগী পোৎশক অদু করিগুম্বা শরুক অমত্তা লেমহৌদ্রে। অনৌবা মীরোলশিংনসু ৱাফম অদুদা থাজবা অমদি লৈ মদুদি অরীবা মীরোলশিং উপাম্বীগী মরা অমগুম্বনি, খজিক খক্তদা পেন্থোকপা ঙম্মী অমসুং মশাগী খুন্নাইগীদমক পুকচেল শেংনা থবক তৌদে, অদুমকপু ঐখোয় লেংদনা লৈবা থৱায় অমগুম্বনি, মখোয়না করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা নুংঙাইথোক্তে অমসুং ইশাগীমদক পুকচেল শেংই অমসুং খুন্নাইগী ওইনদি করিসু নত্তে, মরমদি খুন্নাই হায়বসি করিসু নত্তে।

মফম অদুদা তৌনরিবা অয়াম্বা দিবেট অসি মরুওইনা সাহিত্য অমদি কলাগী লম্‌দনা খন্ন-নৈনবা ওইনা তৌই, মরমদি অতোপ্পশিংগা চাংদমনরুবদা খন্ন-নৈনবগীদমক সাহিত্য অমসুং কলাগী লম্‌দনা হেন্না খ্বাইদগী হেন্না পাক চাউবা ওই অমসুং য়াম্লসু শোক্তবা হায়বদু ওই। মমাংগী মীরোলশিংগী থাম্মোয়দা অতোপ্পা অনৌবা মীরোলশিংবু অপংবা অমসুং অনৌবা মীরোলশিংগী থাম্মোয়দনা মমাংগী মীরোলশিংবু জোকর ওইনা উবগী চৎনবী অমা য়াম্না কা হেন্না মফম অদুদা হেনগৎলক্লি মদুদি করিগুম্বা সাহিত্য অমদি কলা লৈরমদ্রবদি হৌজিক ফাওবদদি মফম অদুদা সিভিল ৱার থোক্লম্বসু য়ারবনি। রঙ্গনাথনা মতম খরা খন্দুনা লাক্লম্বনি মদুদি শিবপাগঞ্জদা ঙসি ফাওবদা অদুগুল্লবা মীরোলশিংগী মরক্তা মুক্লবা অদু থোক্লক্ত্রি। অদুবু নোংমা মহাক্কী অদুগুল্লবা চমম্মনরম্বা ৱাখল্লোল অদু কোকখিরম্মী। মহাক্লা খঙই মদুদি মফম অসিদসু মতৌ অদুগুম্না মুক্লরম্মী। মহাক্লা খঙখ্রে মদুদি মফম অসিগী ৱাফম অদুনা পোলিটিক্সকী ৱাফমদগী হেন্না শোনবা নত্তে।

মফম অদুদা কন্না চৎথরিবা দিবেট অদু চহী ১৪ শুরবা নুপা মচা অমগী মতাংদনি। নোংমা নুমীদাংৱাইরমগী মীফম অমদা কনাগুম্বা নুপা অমনা শিবপালগঞ্জগী নুপামচা অদুগী পুন্সিগী ৱারীগী মতাং অদুদা হায়বা হৌরকখিবনি। ৱাফম অদুদগী খঙবা ঙল্লম্মী মদুদি নুপামচা অদুদা গুন্দা অমা ওইবগী থৌনা কয়া য়াম্না য়াওই হায়ববু অচৌ-অচৌবা সাইকোলোজিষ্ট অমসুং সোসল সাইন্টিষ্টশিংসু নুপামচা অদুবু তাইবঙ মপুগী অঙকপা থৌনাদগী ওইরকপনি হায়বা নত্তনা উপাই অমত্তা লৈখিদে। মীয়াম্না ঙাঙনবসু তাখি মদুদি অমেরিকাদগী লাইরিক তমদুনা হল্লকপা মশিং য়াম্লবা এক্সপার্টশিংনসু নুপামচা অদুগী মতাংদা থী হুম্বগী থবক চৎথখি। মখোয়না ইমুং-মনুং কায়রবা, ফত্তবা মীওইশিংগা লোয়নবা, ফত্তবা ইনভাইরোনমেন্ট, হাৎপা-তুপ্পা তৌরকপা শাগৈনচিংবদা হায়ফেৎ-হায়ফেৎ চিনফা তৌবা লাইরিকশিংগী থিওরিশিংবু ৱাফম অদুদা মাংহনবা পাম্মী, অদুবু নুপামচা অদুনা মাংহন্নবা তৌরকপা অদু য়াখিরমদে অমসুং কায়নথংদা এক্সপার্টশিং অদুনা ফীরেপ অমদা য়ৌরকখি মদুদি অমবু ওইরে অমবু ওইরে, মসি তাইবঙমপুগী অঙকপা খুদোল অমনি হায়না।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।